
ফ্যুচর ওফ ৱাইল্ডলাইফ ইজ ইন অৱার হেন্দস হায়বা থীমদা থা অসিগী ২দগী চথৱকখিবা ৬৭শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক লোইশিনবগী থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ৱা ঙাংখিবা


ঘড়ী এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা কংলৈ খোংয়াং থিজিনয়োন এন এদভান্স রিছার্স সেন্টরগী নৌনা খল্লবা দিরেক্টর ডা. মোইরাংথেম রঞ্জিতাদা চহী ৩ পুগদৌরিবা থৌ অসিগী ফম খুৎশিন্নখিবগী শক্তম


পর্ফোর্মিং ওর্গনাইজেসন ওফ আর্টস এন্দ কলচরনা শীন্দুনা নুমীৎ হুম্মী চুপ্পা পাঙথোরকখিবা থাঙ-তা অমদি মণিপুর ফোক দান্স ফেষ্টিভেল লোইশিনবগা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিগী ২১শুবা মপোক কুমওন থৌরম মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখিবা


লময়ানবা হিজম ইরাবতকা ৱাইফ্রী নরুনা লোয়নবগা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা কমরেদ মোইরাংথেম ইবোহল লৈখিদবগী মঙানি লৈহুন নুমীৎতা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবা

## এন্ট্রান্স টেষ্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : একাদেমীক সেসন ২০২২-২৩গী এম এল আই এস ফর্ষ্ট সেমিষ্টরগী এদমিসনগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এন্ট্রান্স টেষ্ট (এম য়ু ঈ টি) ওফলাইন মোদতা হয়েং ওক্টোবর ৯গী নুংথিল পুং ১২.৩০দগী নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ন্যু সোসল সাইন্স ব্লোক্তা পাঙথোক্লগনি। এন্ট্রান্স টেষ্ট অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.০০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। টেষ্ট অসিগী অকুপ্পা মরোল য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইটতগীসু ফংগনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হেদ সী ঐচ ইবোহলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ৱারী শানবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কৈবী কুমুদাগী লৌকোল চৎলিবা চহী অসিদা চাদা ৭০ হেন্না লৌ লোক্লরোই। মরম অদুনা লৌপুশিংনা ওক্টোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা লৌমীশিংগা লৌসালগী মতাংদা ৱারী শানবীয়ু হায়না কৈবী কুমুদা ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ভিলেজ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু জয়ন্তনা হীরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবদা, চৎলিবা চহী অসি কুমগী নোং চাং নাইদবনা লৌকোল অসি হৌজিক য়েংবদা শংনা উরবসু লৌ চাদা ৭০ হেন্না মহৈ য়ানবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। লোকপা য়াই হায়না পান্নরিবা লৌফমশিংসু চাথোক চাদা ৫০ হন্থনা ফংলগনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লৌমীশিংনা লৌসাল তম্বা ঙমগনি হায়বা থাজবা লৈত্রে। মরম অদুনা লৌপুশিংনা ওক্টোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা লৌফমদা লাকপীরগা লৌসালগী মতাংদা ৱারী শানবীয়ু। তুংদা নুংঙাইতবা থোরকপদা ভিলেজ ওথোরিটিনা তেকচাক লৌজরোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : খেকমন অৱাং বজার বোর্দনা কোল্লিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং ওক্টোবর ৭তা পাঙথোক্তুনা কুমজা ১৯৭৬ তগী হৌনা লৈরক্লবা খেকমন অৱাং বজারগী শকফম হান্নগী অদুগুম্না অদুম্মক লেঙদনা লৈহন্নবা লোয়ননা খেকমন অৱাং বজারগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংবু লূ-নান্না থম্লবা য়েৎনবা য়াওদনা ৱারেপশিং লৌখ্রে অমদি হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু অমসুং লৈঙাক্কী পূক্লিংসু চিংশিঞ্জরি হায়না খেকমন অৱাং বজার বোর্দ থৌবাল খেকমনগী সেক্রেটরি ৱাংজম বিনিটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# 'মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লিবা লোক্তাক পাৎ কনবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী তঙাইফদবা ইথৌনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : লোক্তাক পাৎ অমদি মসিগা শম্নরিবা অতৈ পাৎশিংবু কনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ)না শীন্দুনা ঙসি নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা পাঙথোকখ্রে।

কঞ্জার্ভেসন এন্দ ৱাইজ য়ুজ ওফ লোক্তাক এন্দ এসোসিয়েটেদ লেকস হায়বা হীরম অসিদা সেসন অহুম থোক্লা চথখিবা ৱার্কশোপ অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ইনভাইরনমেন্ট দিরেক্টোরেট, প্লান্নিং দিভেলপমেন্ট, শানোই কোলেজ, মোইরাং কোলেজ, এস কে ৱিমেন কোলেজ, থম্বালমরিক কোলেজ, সী আই কোলেজ, ময়াই লম্বী কোলেজ, প্রভাপতি কোলেজ, পোল ষ্টার কোলেজ, খা মণিপুর কোলেজ, ককচিং খুনৌ কোলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি লোকেল কম্যুনিটিগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লোক্তাক্কা মরী লৈননা আইদেন্টিফাইয়িং থ্রিটস এন্দ ইভোলভিং মেনেজমেন্ট ষ্ট্রেটেজিজ হায়বা টোপিক অসিদা য়ুম্ফম ওইবা গ্রুপ দিস্কসন অমসু পাঙথোকখি।



ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লিবা লোক্তাক পাৎ অসিবু কনবা হায়বসি ঐখোয়গী তঙাইফদ্রবা ইথৌনি। রমসার সাইটনি হায়দুনা লাউথোক্লবা অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ঐখোয়গী মণিপুরদা লৈরম্বা ঐখোয়গী লাইবক ফবনি। পাৎ অসিনা ঐখোয় মীওইবদা মখল মখা কয়াগী কান্নবা পীদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী ইকনমিদা অচৌবা মতেং ওইরিবা পাৎ অসি ঐখোয়গী ইকো সিষ্টম অমা মেন্টেন তৌবনা হেন্না মথৌ তাই। পাৎ অসিনা থেনজিল্লকপা, ঈশিং মোৎশিল্লকপা অমদি অতৈ মরম কয়াদগী নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লকপা হায়বসিদা ঐখোয়না মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি ঐখোয়গী মাঙজবা খক ওইগনি। মরম অদুনা ঙসিগী অসিগুম্বা ৱার্কশোপ অসি শীনবনি। মসিদা অখঙ-অহৈশিং অমদি লাকপীরিবা মীওইশিংনা খন্ন-নৈনদুনা পাৎ অসিবু কন্নবা ৱাখল্লোনশিং পুথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস, এল দি এগী চ্যেরমেন এম অস্নিকুমার, প্রোজেক্ট দিরেক্টর এল ভগতোন, দি সী বিষ্ণুপুর এল বিক্রম, কুম্বী কোলেজগী রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল ৱাই জুগেশ্বর অমদি মাঙ্গোলঙানবী কোলেজগী প্রিন্সিপাল আর কে বিরজিৎসু শরুক য়াখি।

# চীংবুরোয়-তম্বুরোয়গী নুমীৎনা লাকপদা পুম্নমক্না হৌখ্রবা ৱারী খঙমিন্নসি : অমেস্কো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : চীংবুরোয়-তম্বুরোয়গী নুমীৎনা লাকপদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্না হৌখ্রবা ৱারী খঙমিন্নসি। ইরমদম মণিপুর অসিদা খুন্দামিন্নরিবা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা চোয়না খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা ঈ মরী ওইরিবা খ্বাই পুম্নমক্তা মেরা হৌচোংবনা লাকপদা থম্মোয়গী ওইবা মরীবু হেন্না চেৎশিন্নবা ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু দিপুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসি চীংবুরোয়-তম্বুরোয় অনীগী মরক্তা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা মচিন-মনাও ওইবগী নুংশি লীপুন অদু হেন্না চেৎশিন্না পুন্নবগীদমক ঙসি ফাওবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম মণিপুর মীয়াম্না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু থৌরমশিং অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তাবগী ৱাখল্লোন্না মাঙ থাদুনা ইরমদম অসিবু মচেৎ থোক্লা কায়রকপা য়াবগী অকিবা অদু লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মশেলনা খঙফম থোকই। মসিদা নত্তনা লৈরিবা লৈঙাক অসিনসু ইরমদমবু কন্ননবগীদমক তোপ-তোপ্পা পোলিসী প্রোগ্রাম কয়ামরুম পুথোক্তুনা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খূদিংমকপু পুনশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা লৈরিবা এদ্যুকেসনল করিক্যুলম অসিসু লৈবাক লৈহাওগা চান্নবা মওংদা শেমদোকপীদুনা মফুরুপ মরৈবাক নুংশিবগী ইথিল ফাওহল্লক্লবা মতমদা ইরমদম অসিগী অশেংবা ফজবা মশক অদু হেন্না ময়েক শেংলকখিগনি হায়রি।

চীংবুরোয়-তম্বুরোয় অনীমক্তসু ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা তোঙান তোঙানবা ফুঙ্গা ৱারী কয়াদসু চীংবুরোয়-তম্বুরোয় অনীগী মরক্তা তৎতনা থানবা য়াদ্রবা মচিন-মনাও ওইবগী নুংশি লীপুন অদু লৈরম্মী হায়বদুসু উৎলি। অদুবু লাইবক থীবদি ঙসিগী মীরোলনা অসুক মমল য়ামখ্রবা ফুঙ্গা ৱারী অসিবু থওইরুদবনা মরম ওইরগা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লাইনিংগী ওইবা মচু কয়া শংজিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মশক ওইনা উরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ইশাগী চৎনবী, নাৎ, লাইনিং খূদিংমক তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা খূদিংমক্না মশা-মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়ামরুম শাগৎতুনা ইরৈপাক ইরমদম অসিবু মচেৎ মচেৎ তাহন্নবা হোৎনবদি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। নাকল অমরোমদা, ইচিল-ইনাও ওইবগী মরীদা কনাগুম্বা খরগী থৌওইনশিন্না চৈথেং পীরক্তুনা ঐখোয় মশেলবু খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবা শীল্লিবসি ঐখোয় খূদিংমক্না খঙফম থোক্লিবনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা মপানগী শাফু পুন্না ঙাকমিন্নদুনা হেন্না ফবা খুন্নাই অমা ওইহল্লসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পি ও এ সীনা পাঙথোরকপা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : পর্ফোর্মিং ওর্গনাইজেসন ওফ আর্টস এন্দ কলচর (পি ও এ সী)না শীন্দুনা নুমীৎ হুম্মী চুপ্পা পাঙথোরকখিবা থাঙ-তা অমদি মণিপুর ফোক দান্স ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম অমদি ওর্গনাইজেসন অসিগী ২১শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম অমা কৈরাও বিত্র খুনৌদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা রঙ্গনিকেতনগী চ্যেরমেন অজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা য়েংশিন্নবা অমদি নমথনবা হোৎনবনা ঐখোয়গী কলচর অমদি ট্রেদিসন অসি ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্লোই। মরম অদুনা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা মথৌ তাই। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মালেমদা অনী শুদ্রবা তাঙলবা লন ওইরিবা থাঙ-তা হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অসি মীতোপশিংন লাক্লগা কনগদবা নত্তে। অদুনা মীতৈ ফুরুপ অসি তূমদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে। হৌজিক ওইরবা কলচর অমদি ট্রেদিসন অসি অকিবা ফীভম অমদা লৈবগা লোয়ননা মুৎখিবা য়াবগী থাক ফাওবা য়ৌশিল্লক্লবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রঙ্গনিকেতনগী চ্যেরমেন অজিৎ দাস, কলচর ৱার্করস এন্দ এক্টিভিষ্ট ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট বুধ চিংথাম, হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী দিরেক্টর অমদি সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী কে সনাথোইবসু শরুক য়াখি।

## লাইনিং-লাইশোলগী মনুংদদি পোলিটিক্স য়াওরোইদবনি : নিশিকান্ত

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : লাইনিং-লাইশোলগী মনুংদদি পোলিটিক্স য়াওরোইদবনি অদুবু পোলিটিক্সতদি লাইনিং-লাইশোল য়াওগদবনি হায়না কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ নিশিকান্তনা ফোঙদোকখ্রে।

গুলাপি নট সঙ্কীর্ত্তন একাদেমীনা শীন্দুনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা নেসনল সেমিনার অমা ২৯লকশুবা ওইনা পাঙথোকপা গুরু কৃত্ন সেবা ২০২২ হায়না মিংথোন্দুনা ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোং মপালদা লৈবা একাদেমী অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিগী নাৎকী কলচর অসি য়াম্না মরুওই। ঐখোয়গী কলচর অসিনা ঐখোয়গী মশক মওং অসি মপানগী লমশিংদা শক তাকপা ঙম্লিবনি। করিগুম্বা কলচর অসি লৈরমদ্রবদি আইদেন্টিটি মাঙলমগনি। ঐখোয়গী কলচর অসি লৈরমদ্রবদি অতোপ্পা ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিগী মীওইশিংগা করিমত্তা খেন্নবা লৈরম্লোই। মীওইবগী পুন্সিদা অফবা কর্ম্ম তৌবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী মনুং চন্না একাদেমী অসিগী লাইওইখ্রবা অহল-লমন, লাই-গুরুশিংগী মীতমদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈ শক্তুনা মখোয়বু ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি। জে এন দান্স মণিপুরগী দিরেক্টর বিলাশনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা সেমিনার অসিদা পেপর প্রজেন্টেসনশিং খোমজিল্লগা লাইরিক ওইনা ফোঙনবা হোৎনবীয়ু। লৈখিদ্রবা ওজাশিংদা হৈ-লৈ কৎপগী অসিগুম্বা তাঙলবা তাঞ্জা অমা ফংবসি থম্মোয়দা চাউথোকচবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা গুরু খ্বাইরাকপম লৈবাকমচা এৱার্দকী ওইনা পদ্মশ্রী এৱার্দী ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী থৌরানিশাবী অমদি ওজা শ্রী খ্বাইরাকপম ৱাংখৈ এৱার্দকী ওইনা পদ্মশ্রী এৱার্দী সৌগাইবম থানিলদা মনাশিং অসি খুৎশিন্নখি। লোয়ননা শক্লাইরবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## দ্রগকা কোন্ননা মীওই ৩ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : মোরেদগী ইম্ফাললোমদা লাকপা ইকো ভেন অমা ঙরাং নুমীৎয়ুংবা মতমদা খুদেংথাবীগী চেক পোষ্টতা ২০শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা চেক তৌবদা ব্রাউন সুগর গ্রাম ২৯০ গা কোন্ননা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদুদি ঙমখোশৈ বাইতে (২৫) চুড়াচান্দপুরদগীনি। ফারবা ব্রাউন সুগর অদু তোঙান তোঙানবা সোপ কেস তরেৎতা হাপ্লগা পুরকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল মোরে লম্বীগী পাইনএপল ফার্ম মনাক্তা ২০শুবা অসাম রাইফলস অমদি লোকচাওদা লৈবা ১৬৫শুবা এ টিগী অপূনবা টিমনা গাড়ীমচাদা লাকপা মীওই অনীনা পুরকপা ব্রাউন সুগর কেস ১০১ অমদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট বোক্স ২ গা কোন্ননা ফাখ্রে হায়রি।

## ৬৭শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজন্না শীন্দুনা ফ্যুচর ওফ ৱাইল্ডলাইফ ইজ ইন অৱার হেন্দ হায়বা থীমদা ৬৭শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক সেলেব্রেসন ঙসি উচাথোল জিরিবামদা লৈবা দি এফ ও কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পেন্টিং কম্পিটিসন, ওন স্পোট পেন্টিং, স্লোগান রাইটিং অমদি এসে কম্পিটিসননচিংবা জিরিবাম মোদেল হায় স্কুলদা পাঙথোকখি। হায়রিবা চাংদম্নবশিং অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা সর্টিফিকেটকা লোয়ননা কেস প্রাইজসু য়েন্থোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা ৬৭শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিথ সেলেব্রেসনগী থৌরম অদুদা হিলঘাট জি পিগী প্রধান এল সোমোরেন্দ্র অমদি জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওনরেরি ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন ঐচ রাজেন, জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজনগী এল দি সী মৈস্নাম কামিনিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিং অদুদা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

## বার্দ ৱাটচিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : ফ্যুচর ওফ ৱাইল্ডলাইফ ইজ ইন অৱার হেন্দস হায়বা থীমদা থা অসিগী ২দগী চথৱকখিবা ৬৭শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক্কী থৌরম লোইশিনবগা লোয়ননা ঙসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং রেঞ্জনা শীন্দুনা খরুংপাৎতা বার্দ ৱাটচিং কেম্প, নেচর ৱাক অমদি ক্যুইজ কম্পিটিসননচিংবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ককচিং রেঞ্জকী রেঞ্জ ওফিসর লাইশ্রম দিনেশ, য়াইরিপোক বিট ওফিসকী বিট ওফিসর সুরেন্দ্রো, পল্লেল বিটকী ওফিসর এম দি সলাউদ্দিন অমসুং চোঙা ফাউন্দেসন মণিপুরগী চ্যেরমেন বঙ্কিমনা মরুওইবা মীওইশিংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ফোরেষ্ট রেঞ্জ অসিগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

## কাঙলোন চুম্না এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোকপীয়ু : এম য়ু সী - দেসাম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এম এ/এম এস সী অমদি ভোকেসনল কোর্স সেসন ২০২২-২৩গী ওইনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী এন্ট্রান্স টেষ্ট এগজামিনেসনদা কাঙলোন চুম্না অমদি অয়েৎ-অপন য়াওদনা পাঙথোকপীনবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল দেসাম (এম য়ু সী-দেসাম)গী প্রসিদেন্ট হৈক্রুজম নিলকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা আপীল তৌরক্লি।

হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা এন্ট্রান্স টেষ্টতা কোচিং লিক ওইখিবা য়াওনা অমদি মতম চানা এন্ট্রান্স টেষ্টকী ক্বেসন পেপর পীবা ঙমদবনচিংবা কয়া থোকখি। মসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী মোরেল শোকপা অমদি য়ুনিভর্সিটিগী মশক থিহনবদা নত্তনা তাইবং মহৈকোল অসিদসু ফত্তবা থবক, কাঙলোন কায়না অরানবা মওংদা সেলেক্সন তৌখিব্রা হায়না মীয়ামদা চমম্নবা কয়া অমা পোকহনখি। মরম অদুনা হন্দক পাঙথোক্কদবা এন্ট্রান্স টেষ্টকী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লৈরিবা ওথোরিটি অমদি তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংনা কাঙলোন চুম্না অমদি মতিক চাবা মহৈরোয়শিংবু এন্ট্রান্স টেষ্ট অসিদা খনবীয়ু অমদি মতম চানা এগজামিনেসন তৌবীয়ু হায়বা ৱাফম থমজরি।

লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মুসুনসু মতেং পাংবীবগা লোয়ননা মীৎয়েং চঙবীয়ু। করিগুম্বা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সেসন ২০২২-২৩গী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী এন্ট্রান্স টেষ্ট এগজামিনেসন অসিদা কাঙলোন কায়না, অরানবা লম্বীদা এন্ট্রান্স টেষ্ট তৌরম্বা থোক্লবদি মহৈরোয় খুন্নাইদা শীংনবনি হায়না লৌবদা নত্তনা অকনবা মওংদা মীৎয়েং চঙগনি অমসুং তুমীন্না খক লৈশিল্লোই। হায়রিবা অরানবা থবক তৌবশিং অমদি চেন্নবা দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা চেন্নরিবা মীওই খূদিংমক এম য়ু সী-দেসামগী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা থবক খূদিংমক মশা-মশাগী তেকচাক পুগদবনি। মরম অসিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটি অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দিশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

ꯑꯄꯥꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ

## চাওখৎ থৌরাংদা অয়েৎপা পীরকপশিং পুন্না থেংনমিন্নসি : লৈসেম্বা সনাজাওবা হায়বা খবরগী কলমদা অপাবগী ৱাফম

ওক্তোবর ০৭/২০২২ ইংদা চজিং লাকপা পুরৈলোম্বা উমং লাইগী নৌনা শাবা লাইশঙ শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াবীখিবা রাজ্য সভাগী এম পি ওইবতা নত্তনা কংলৈপাক মণিপুরগী নিংথৌসু ওইবীরিবা ইনিংথৌ লৈসেম্বা সনাজাওবনা থৌরমদুদা পীখিবা ৱারোল পাজরুবদা থমজরিবদি ইনিংথৌনা হায়বীখিবা ৱাফম মীওই খরনা লাইগী খুভম অনৌবা শারিবা শঙলেন অসিদা হোংজিনবা য়ারোই হায়না য়েৎনবা হোৎনরকই হায়বসিদা অঙকপা পোকই। মরমদি হান্নগী লাইশঙ, অনৌবা লাইশঙ হায়বসিদা মমুৎ তানা খঙবা মথৌ তাই।

অদুগা অমনা ইকায়খুম্নজরিবা লংথবাল কেন্দ্রগী এম এল এনা হায়বীখিবা ৱাফমদা নৌনা শারিবা শঙলেন অসিদা ইবুধৌ লেঙশিন্নবা মতম য়ৌরকপদা মীওই খরনা হান্না লৈরিবা খুভম অসিদা ইবুধৌ অদুম্মক লাৎকদবনি হায়বগী চয়েৎনবা অমা লাকপদা লাইবক থীবনি হায়বতা নত্তনা করিগুম্বা হেনজিল্লক্লবদি লোগী ওইবা মতেং লৌগনি হায়খিবদুসু মুন্না খন্থরগা হায়হন্নিংই। লাইগী খুভমসি পংহোংদা হোংবা য়াই য়াদে হায়বসিসু খন্থহন্নিংই। নিংশিংবা য়াই মণিপুর লৈঙাক্না ইনিংথৌগী শঙলেন (কোনুং)গী শক্তম হোংনবা হোৎনরকপদা নিংথৌ খুভম কনবা পান্বা মীওইচা কয়ানা অহিং য়ারেক্তুনা কোনুং কনখিবদুনি।

মথক্কী ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা থমজরিবদি চজিংগী ইপা-ইপু লাইনিং চৎচরিবশিংনা ভারত সরকারগী লৈঙাক্কী থৌজান মখাদা সনামহী লাইনিংলোয়শিংনা শেমজবা চজিং লাকপা পুরৈলোম্বা থৌগল লূপ রে. নং ৫৯৭২ ওফ ১৯৮৫ না সোসাইটি রেজিষ্ট্রেসন এক XXI ওফ 1860 গী মখাদা লাইনিংলূপ ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা ইবুধৌ চজিং লাকপগী লাইশঙসি থাইনঙৈদগী খুনগী অহলশিংনা লাইথৌ খূদিংমক্তা লাইফম্নি হায়না লৌনরক্লিবা খোংনাংখোঙদা খোংনাং মাইওন তুংইন্না লাইশঙ শাদুনা ইবুধৌ অসিগী ইরাৎ-থৌনি পরিংদু লৈপাক্কী পণ্ডিত লোয়শঙ অমসুং সনা কোনুংগী অখঙ-অহৈশিংগা তান্নজদুনা উমংলাইগী হৌন-চৎনবী খঙনা ইনিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎকী খুৎয়েক মখাদা লাইশেল্লুংবা হাপ্তুনা থৌগল তৌবা অমসুং লাই হরাওবা পাঙথোক্তুনা লাকচখি। অসিদা নত্তনা লূপ অসিবুসু ওনরেবল হায় কোর্ট মণিপুরনসু লাইগী থৌরমশিং লাই হরাওবা ফাওবা হক পীবীদুনা লাকখিবনি হায়বসিসু থমজরি।

মমল য়ামখ্রবা মীতৈ ফুরুপকী শক্তাক্লফম ওইরিবা উমংলাই ইবুধৌ পুরৈলোম্বগী উমং লাইকোন চীংমচা খুভম অসিবু কেন্দ্র অসিগী এম এল এ করাম শ্যামনা ইকো পার্ক ওন্থোক্লবা হোৎনরম্বদু চজিংগী লৈকায় তরুক্কী ক্লব থৌপুবশিংনা পুন্না ইকায় খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মফমদা মেমোরেন্দম পীশিনজদুনা ইবুধৌ পুরৈলোম্বা উমংলাইগী খুভম চীং কনবীয়ু ইকো পার্ক ওন্থোকপা থিংবীনবা হায়জরুবদা চীফ মিনিষ্টরনা পূক্নিং চিংশিনবীদুনা খুভম কন্নবা লৌখৎপীখিবদু লৈপাক মীয়ামদা নৌনা খঙহঞ্জরি অমদি চীফ মিনিষ্টরবু হন্না থাগচিরি হায়না পাউচেদা ফোঙদোকচরি।

অরোইবদা লৈপাক মীয়ামদা থমজরিবদি রেজিষ্টর থৌগল্লূপ অসিগী রেজিষ্টর নম্বর লোন্না শীজিন্নদুনা চজিং লাকপা পুরৈলোম্বা থৌগল অসিনা লূপ হায়বা অমা শেমদুনা রেজিষ্টর তৌদবা লূপ অসিবু মীয়াম্না চুম্মিবরা হায়বদু খন্থবীয়ু। লোয়ননা লাইনিং খুদাদা লান্না মীৎয়েং থমদুনা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মানবশিং মীয়ামদা উহন্নিংদে হায়না থমজরি। রেজিষ্টর লূপ অমদা করম্বা মীৎয়েংদা য়েংগদগে করম্না শৌগৎপীগদগে হায়বসু খনবা মথৌ তাই হায়নিংই।

অইবা :
চিংশুবম দেবকুমার
(অঙোমচা চিংশুবম লাইচা)
লিলোং চজিং
T/No. : 9856412763
HL-P/4359/9

## কে কে টিগী অনৌবা দিরেক্টর খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : ডা. মোইরাংথেম রঞ্জিতাবু কংলৈ খোংয়াং থিজিনয়োন (কে কে টি) ইম্ফাল, এন এদভান্স রিছার্স সেন্টরগী অনৌবা দিরেক্টর ওইনা খনখ্রে হায়না কে কে টি ইম্ফালগী দিরেক্টর ডা. এস পদ্মবতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কে কে টিগী নৌনা খনখ্রবা দিরেক্টর চহী অহুম থবক পুগনি। দিরেক্টর খন্দুনা ফম অসিবু শীন্নবগী এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা কে কে টি ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী কে কে টিগী দিরেক্টর ডা. এল জয়দেব, চীফ কন্সল্টেন্ট ডা. এম নিরজ লুৱাং অমদি কে কে টিগী প্রজেন্ট দিরেক্টর ডা. পদ্মবতিনচিংবসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা প্রজেন্ট দিরেক্টর ডা. পদ্মবতিনা নৌনা খল্লবা দিরেক্টর ডা. রঞ্জিতানা মহাক্কী থৌ পুগদবা মতম অসিদা অফবা থবক তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীখি। নৌনা খল্লবা দিরেক্টর ডা. রঞ্জিতা অসি অসাম য়ুনিভর্সিটিদগী লাইফ সাইন্সতা পি ঐচ দি তৌরকখিবনি হায়রি।

## সিভিল সোসাইটিশিংগী কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : দ রোল এন্দ রেস্পোন্সিবিলিটি ওফ সিভিল সোসাইটি ইন কনফ্লিক্ট সিচ্যুএসন ওফ মণিপুর হায়বা হীরমদা লিগ ওফ ইন্দিজিনস পিপল (এ আই পি)না শীন্দুনা য়াইস্কুল পুলিসলেনদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিগী মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন ডা. য়াংলেম মোহেননা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর ষ্টেট ফুদ কম্মিসনগী এক্টিং প্রসিদেন্ট থোকচোম সাইমোননা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি লিগ ওফ ইন্দিজিনস পিপলগী কনভিনর রাকেশ মোইরাংথেমনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জন, হান্নগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. হাওবম ইন্দ্রকুমার, ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রিঙেসন থাঙ্গা, হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট জয়কুমার ৱাহেংবমনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অসিগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না এল আই পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ফালগুনি এলাংবমনা তংদু-লৈতানা ঈং-তপ্পা খুন্নাইদসু সিভিল সোসাইটিগী থৌদাং অমসুং লৌফম থোকপা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং কয়া লৈ। ঈরাং কয়া হেন্না লৈবা ইস্যু অমসুং কনফ্লিক্ট লৈবদুনা সিভিল সোসাইটিগী থৌদাং অমুক্কা হেন্না চাউবা হেনগৎলকই হায়নসু নুংগী ওইবা ৱারোলদা ফোঙদোকখি।

## পি এস দি সীগী মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : প্রাইভেট স্কুলস দিভেলপমেন্ট কাউন্সীল (পি এস দি সী) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লিংখৎতুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক থবক তৌরকপা চহী ১৩ মপুং ফারকপগা লোয়ননা কাউন্সীল অসিগী ১৩শুবা মপোক নুমীৎ ২০২২গী থৌরম ঙসি থৌবাল ওক্রমদা লৈবা পেরেদাইস ইংলিস স্কুলগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পি এস দি সী থৌবালগী চীফ এদভাইজর অমদি ঈ জি এফ স্কুলগী হেদ মাষ্টর ডা. ও ইবোপিশক, প্রসিদেন্ট অমদি পেরেদাইস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. এন রঞ্জিৎ অমসুং ফোর্মর প্রসিদেন্ট অমদি কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী চ্যেরমেন কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাংনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পি এস দি সী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী প্রাইভেট স্কুল ৩৪গী ওজা অমসুং মহৈরোয়শিংনা রিসাইটেসন থিবা অমদি ইন্টরটেনমেন্ট সো কয়া উৎখিবগা লোয়ননা স্কুলশিং অসিগী বেষ্ট টিচর এৱার্দস অমদি বেষ্ট ষ্টুদেন্ট এৱার্দশিং প্রাইভেট স্কুলস দিভেলপমেন্ট কাউন্সীল (পি এস দি সী) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী য়েন্থোক্তুনা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীথুংলেনশিংনা এদ্যুকেসনগী লমদা অফবা পুরক্লবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

## ঐনা শকখিদ্রবা ঈশৈ লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : দ কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ম্যুজিয়ম অমসুং অর্কাইবস হোলদা লেংগ্বেজ পোলিসী অমসুং মীতৈলোল হায়বা হীরমদা ষ্টদিজ সার্কল অমসুং সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা লৈখিদ্রবা অইবা রঘু লৈশাংথেমনা ইরম্বা ঐনা শকখিদ্রবা ঈশৈ হায়বা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী হান্নগী চ্যেরমেন অমদি রিটায়র্দ লেফটনেন্ট জেনরেল ডা. কোন্সম হিমালয় অমসুং দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হিদংময়ুম একেন্দ্র শর্ম্মনা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়ারদুনা লাইরিক্কী মরমদনা এসোসিয়েট প্রোফেসর কোইজম শান্তিবালানা ৱা ঙাংখি।